# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ শম্বল-খুদোপ


— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ


**ঐখোয়গী** লমদমদগী হৌরকখিবা পান্বী নৎত্রবসু মতম কয়াগী মমাঙদগী চঙলক্তুনা মণিপুরদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌরবা কান্নরবা পান্বীলক্তগী শম্বল-খুদোপ হায়রিবা পান্বী অসি হীরম কয়ামরুমদা মীওইবদা কান্নবা পীবগী মথক্তা হীদাক-লাংথক্কী ওইবা মগুণশিং শিংথানীংঙাই ওইনা য়াওই। পান্বী অসি নারক-মোংশোং অমসুং শম্বলদা মরী চৎতুনা হৌবা অমদি মপান অদু সনা মচুদা ময়ায়দা মুশুক-মুনা হেক য়েংবদা খুদোপ মানবদগী পান্বী অসিবু শম্বল-খুদোপ হায়না কৌনৈ। শম্বল-খুদোপ পান্বী অসি ইংলিসতা ব্লেক আইদ সুসেন ভাইন (Black-eyed Susan vine) নৎত্রগা ক্লোক ভাইন (Clock vine) নৎত্রগা ব্লেক আইদ সুসেন (Black-eyed susan), অর্জেন্টিনাদা ওজিটোস নেগ্রোস (Ojitos negros), ব্রাজিলদা অমারেলিনহা (Amarelinha) নৎত্রগা বুন্দা- দ-মুলাতা (Bunda-de-mulata) নৎত্রগা বন্দা-দে-নেগ্রো (Bunda-de-negro) নৎত্রগা জেসমিম-দা-ইতালিয়া (Jasmim-da-italia) নৎত্রগা জেসমিম-সোম্ব্রা (Jasmim-sombra), ক্যুবাদা এন্টিওজো দে পোটা (Anteojo de poeta), জর্মনিদা গেফ্লুগেলটে থনবরজি (Gefluegelte Thunbergie), হিন্দিদা চোঙ্গা লোতা (Chonga lota), জপানিজদা য়াহাজু কাজুরা (Yahazu-Kazura), মেক্সিকোদা ওজো দি পাজারো (Ojo de pajaro) নৎত্রগা ওজো দি ভিনস (Ojo de Venus), নেদরলেন্দদা থনবরজিয়া (Thunbergia), সাউথ আফ্রিকাদা ইশি-ফোন্দো (Isi-phondo) নৎত্রগা স্বার্তুগনুই (Swartoognooi), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *থনবরজিয়া এলাতা (Thunbergia alata Bojer ex Sims)* নৎত্রগা *এন্দোমেলাস এলাটা (Endomelas alata (Bojer ex Sims) Raf.* হায়না কৌই অমসুং *নোংমাংখা পান্বী (Phlogacanthus thyrsiflorus Nees)* গী শাগৈ *একান্থেসী (Acanthaceae)* দা চল্লি।

শম্বল-খুদোপ হায়রিবা পান্বী অসি চহী খরা পুন্সিবা (Perennial) শম্বল অমসুং উ-ৱাদা কাদুনা হৌবা, মখোক অদু খরা কল্লপ তৌবা অদুবু পান্বীগী মসা অয়াম্বদি থোৎলপ তৌবা পান্বীনি। পান্বী অসি ফুট ১৫ ফাওবা শাংনা চত্তুনা হৌবা ঙম্মী। পান্বী অসিগী অকোয়বদা ঙাকলৌ লৈত্রবদি লৈমায়দা নেমথনা শন্দোক্তুনা হৌই। শম্বল-খুদোপ পান্বী অসি মহৌশাগী ওইনা অফ্রিকাগী লমদমশিং মরুওইনা শিরা-লিওন, ইথিওপিয়া, উগান্দা, কেনয়া, রৱান্দা, তাঞ্জানিয়া, মোজাম্বিক, মালাৱি, বোটসৱানা, স্বিজরলেন্দ অসিনচিংবা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। পান্বী অসি খরা শারপ তৌবা ৱার্ম টেম্পরেট (Warm temperate) ওষ্ট্রেলিয়াগী মফমশিং অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজগী অয়াম্বা মফমশিংদা পাক শন্না হৌবগী পাউদমশিং লৈ। শম্বল-খুদোপ পান্বী অসি মতম শাংনা নৎত্রগা চহী চূপ্পা লৈ শাৎলি অমসুং পান্বী অদুসু মতম পূন্নমক্তা শংদুনতা লৈ। Daniel অমসুং Chuang না কুমজা ১৯৮৯দা পীখিবা পাউদমগী মতুং ইন্না শম্বল-খুদোপ পান্বীগী পারি-পুরিগী মচাক য়াওবা ক্রোমোজোমগী মশীং (n) অসি ৯নি (n = 9) । শম্বল-খুদোপ পান্বীগী লাবা-অমোমগী কয়াৎশিং হকতিন্নবগী থৌওং অসি তীল অমসুং হয়িং-খোইনা তৌই অমসুং থৌওং অসিবু এন্তোমোফিলস হায়না খঙনৈ।

শম্বল-খুদোপ পান্বী অসি ৱেষ্ট ইন্দিজতা তরামাপল (১৯) শুবা চহী চাদা পুশিন্দুনা থাখিবগী পাউদমশিং লৈ। পান্বী অসি ইন্দিয়া অমসুং ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা করম্বা মতমদগী



হৌরক্লবগে অমসুং মতৌ করম্না পুশিল্লকখিবা নৎত্রগা চঙলকখিবগে হায়বগী চপ চাবা পাউদম ফংবা ঙমদে। ঙসিদি শম্বল-খুদোল পান্বী অসি মণিপুরদা মরাং কায়না হৌদ্রবসু তম্পাক্কী মফমশিংদা মরু ওইনা নারক-মোংশোংশিং, চীংঙখোঙ-চীঙয়া, তুরেলগী মপান অমসুং নাপী-শিংনাং য়াম্না হৌবা, উখা-ৱাখা অমদি ষণজাবুংগী অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদা অদুমক হৌবা থেংনৈ।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না শম্বল-খুদোপ পান্বীগী মনাদা য়াওবা খ্বাইদগী মরু ওইবা ইরিদিওল গ্লাইকোসাইদ ২ অদুদি - এলাতোসাইদ (Alatoside) অমসুং থুনালোসাইদ (Thunaloside) অসিনি। হায়রিবসিগী মথক্তা য়াওবা অতোপ্পা কম্পাউন্দশিং অদুদি ষ্টিলবেরিকোসাইদ (Stilbericoside) অমসুং থনবরজিওসাইদ (Thunbergioside) অসিনি।

শম্বল-খুদোপ হায়রিবা পান্বী অসি মীওইবনা অনা-লায়েংদা শীজিন্নবগী মথক্তা অতোপ্পা হীরম খরদসু অদুমক শীজিন্নে। মালেমগী মফম খরদা শম্বল-খুদোপ পান্বীগী নৌতক তৌবা মনা




অদু এঙ্গাং-নাপী অমা ওইনা থোংদুনা চানবগী পাউদমশিং লৈ।

শম্বল খুদোপ পান্বী অসি মতম পূন্নমক্তা শংদুনা লৈবা অমসুং সনা মচুগী ফজখ্রবা লৈ অদুগী ময়ায়দা মুশুক মুনা লৈবা কোরোলা থ্রোট অদুনা অমুক্কসু হেন্না ফজহল্লবা লৈশিং অদু মতম শাংনা লৈ শাত্তুনা লৈবা মরম্না পান্বী অসি লৈতেংগী ওইনা গম্লা অমসুং য়ূমগী অকোয়বদা য়াম্না পাম্না থানৈ। অয়ানবা গম্লা (Hanging basket) শিংদা পান্বী অসি থাবদা য়াম্না খুদোং চাই। পান্বী অসি লৈমায়দা পাকথনা শন্দোক্তুনা হৌবা ঙম্বা মরম্না য়ুবী পান্বী থাবা মফমশিংদা থানৈ।

হীদাক ওইনা শম্বল-খুদোপ পান্বী অসিগী মরা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু হকচাং নোয়-পেলহনবগী মথক্তা নুপা-নুপীগী ফম্বী ফগৎহন্নবা হীদাক ওইনা ইন্দিয়াগী মফম খরদা শীজিন্নৈ হায়না কার (Kar) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০১৩দা পাউদমখি। আফ্রিকাদদি পান্বী অসি শা-ষণগী অফবা শজিক ওইনা পীজনৈ। তাং-তাং চীকপা অমসুং খ্বাঙ নাবদা শম্বল-খুদোপ পান্বী অসি শুগাইরগা শেম্বা মলম অদু তৈদুনা লায়েংবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা মলম অসি তৈবদা উনশাগী লায়না খরসু কান্নবা ফল ফংই। শম্বল-খুদোপ পান্বী অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু পীথকপদা নূংশঙ থুংবা অদু লায়েংনবগী মথক্তা মীত্তা দ্রোপ ওইনা হাপ্তুনা মীৎ নাবা অসি লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। পাউদম অমগী মতুং ইন্না শম্বল-খুদোপ পান্বী অসি থীবোঙ-থীরিলগী কেন্সর (Rectal Cancer) অসি লায়েংবদা শীজিন্নৈ। ষণদা নাগনবা গোল সিকনেস (Gall Sickness) অসিদসু পান্বী অসি থোইদোক্লা কান্নৈ।◀◀

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### ৫৫শুবা এ আই আর ইম্ফালগী লাইট ম্যুজিক কন্সর্ট য়েংলুবদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**৫৫শুবা** এ আই আর ইম্ফালগী লাইট ম্যুজিক কন্সর্ট অমা এম এফ দি সী হোলদা নবেম্বর ১০দা পাঙথোকখিবা অদুগী মীথুংলেন ওইনা মালেমগীদা নত্তনা মণিপুরগী ওইনসু য়াম্না মমিং লৈরবা পাবুং অরিবম শ্যাম শর্ম্মা অমদি ওজা রতন থিয়াম্না প্রসিদেন্ট অমদি চীফ গেষ্টকী থৌদাং লৌবিখি। পাবুং শ্যাম শর্ম্মা অমদি ওজা রতন থিয়াম্না থৌরম অদুগী মরমদা মরীক চুল্লবা ৱাফম কয়া থম্বীখি। লোয়নননা এ আই আর ইম্ফালনা শীনবিখিবা ফোক ম্যুজিক কম্পিটিসনগী অথোই-অহেন মনাসু নুমিৎ অদুদা য়েন্থোকপীখি। অসিদা নত্তনা অতোপ্পা কাঙলূপকী দাইলেক্টশিংগী লোলগী ঈশৈসু তাবা ফংখি। নুমিৎ অদুদা এ আই আর ইম্ফালগী থবক্তগী পোথাখ্রবা অমদি হৌজিক হৌজিক থবক তৌরিবা থৌমীশিংসু থেংনজখি। এ আই আর ইম্ফালদা নৌনা থবক চঙলকপী ইচলশিংনা মীতৈগী ফিজেৎ-লৈতেং শেৎ-চারগা লৈরম্বা অদু উরুবদা মীৎফম হোংবা য়াদনা ফজখি। নুমিৎ অদুদা এ আই আর ইম্ফালগী মীয়াম্না শক খঙনরবা-খঙনরবী শৈশকপা-শৈশকপী কয়ানা মাগী-মাগী ফজরবা ঈশৈ কয়াসু তাহনবীখি।

নুমিৎ অদুদা পাবুং শ্যাম শর্ম্মগী ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা গ্রামাফোন রেকোর্দতা তাখিবা ঈশৈ অমা 'তাইবঙ কৈথেল কারকপদা' হায়বা মতম অমদা য়াম্না ফজখিবা ঈশৈ অদু পাবুং শ্যাম শর্ম্মনা তেন্তক্লা শকপীখি। ঈশৈ অদু তারুবদা ঐহাক মীৎতগী পি তাগে তৌখি। নুমিৎ অদুগী কম্পিয়র এঙ্কর ওইবিখিবা ইনাও অসেম মংলেম্বা ষ্টেজ লাইভ পর্ফোমেন্স ফজনা পীখি। অদুবু ইনাও মংলেম্বনা লাউথোরকপা অমদা অশোয়বা অমা য়াওখিব্রা হায়না খঞ্জে। হায়বদি পাবুং শ্যাম শর্ম্মগা ইচেম্মা কমলাগা শকপা ঈশৈ হায়না হায়বদি 'পাউখোং অমা চনগে' হায়বা ঈশৈ অদু পাবুং শ্যাম শর্ম্ম অমদি ইচেম্মা কমলাগনা শকপা নত্তে। পাবুং শ্যাম শর্ম্মগা ইচেম্মা অয়েকপম সবিতাগা শকপনি। অসিগুম্বা অশোয়বা অসি ইনাও মংলেম্বনা মতুং তারকপা ষ্টেজ লাইভ পর্ফোমেন্স তৌবিরকপা মতমদা চেকশিন্না শোয়দনবা তৌহঞ্জনীংই।

*অদোমগী - হাওবিজম জয়*
*ক্বাকৈথেল থোকচোম মখা লৈকায়*

### নিংঙোল চাক্কৌবা লোইখ্রে, চৈথেংদি লৈহৌরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরগী** নহা-অহল থিদনা মরু ওইনা নিংঙোল ওইবী খুদিংনা খৌরাংনা ঙাইনরকপা নিংঙোল চাক্কৌবা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদা এঙ্গাং মথেল-মথেলগা লোয়নননা য়াম্না হরাউ-মথোই কাবগা লোয়নননা পাঙথোকখ্রে। অসিগুম্বা নুংশিখ্রবা থৌরম অসি য়ৌদ্রিঙৈ থা ২/৩ ৱাৎলিঙৈদগী মণিপুরগী মীওই লাক্ষ ৩০মুক অসিগী মনুংদা লাক্ষ ২৫মুক্কী মীওইশিংদি মোরেদা চৎতুনা য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং ৪০/৫০দি পোৎ লৈনবা ঙাক্তনি। মসি থিজিন-হুমজিনবা মীওই কয়াগী পাউদগী খঙনখ্রে। অদুগা নিংঙোলশিংনা চাক চাবা লাকপদা পুরক্লিবা মপান লমগী সেম, কোমলা, য়ুবী, শঙ্গোম পাউদর অমদি অতৈ অতোপ্পা পোৎলম কয়া অসিগী মমল ওইনা মপান লমদা লোইনা চৎখিবনি। তশেংনা মণিপুরগী অশেংবা পোখোক অমত্তা নত্তে। অদু ওইরবদি নিংঙোল চাক্কৌবা অসিদা ফোরেন অমদি ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা চৎলমগদবা শেনফম অসি কয়া য়াল্লমগনি। হায়রিবা শেনফম অদু মণিপুরদা অমুক হল্লক্লরোই, মীরমগী বেঙ্কতা লৈখ্রবা ঙাক্তনি। মসিদা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোনদা য়াম্না অকায়বা লাকফম থোকই। মণিপুর মশাগী শেন্থোক লম্বী খরা খরা লৈজরবসু মপূং ওইনা লৈজদবা লমদমনি। সেন্তরদা হায়জরগা হিংবা পুন্সি মহিংনি। চান-থক্লবা, ইমুংগী হিংবদা চঙবা পোৎলম অয়াম্বা মপান লমদগী পুশিল্লক্লগা শীজিন্নবনা অয়াম্বনি।

মমাঙঙৈ মতমগী চাক্কৌবদি য়াম্না নুংশিননা চম্না পাঙথোক্লরম্মী। খুদোল পোৎ পীবগী মতাংদসু ইরমদা ফংবা খ্বাংগী নৎত্রগা ইয়োংগী ফনেক অমা, ইনফি অমা কৎপদা হরাউ হরাউ লৌনরম্মী। মতমদুদা শেনফম অমত্তা মপান লমদা চৎখিদে। লাক্লিবা নিংঙোলশিংসু ইরমদম অসিদা ফংবা লফোই লফাং অমা, মমা-মপা, মবুং-মৌপ্পাগীনি হায়দুনা পুরক্তুনা হরাউ-তয়াম্না চামিন-থকমিন্নৈ। অসুম্না শেল তিংবগী চাং য়াম্না হন্থরম্মী। হৌজিক ইষ্ট এক্ট পোলিসি লাকপদা মণিপুরগী য়েলহৌমী কয়া মীতোপ্পা খরা য়োৎশিনখি, থাইলেন্দ, চাইনা, ম্যান্মারগুম্বনা মথং মথং চাওখৎখিবা অদুগা ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরনা চাওখৎপগী মমি কয়া উবা ফংদে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঐখোয়গী অখঙ-অহে কয়াগী ৱাখল পুথোকপীদুনা হৌজিক্কী অমদি তুংদা করি ওইরক্কনি হায়বগী মতাংদা খন্নবা তঙাইফদে। মণিপুরগী করম্বা পোৎলম মপান লৈবাক্তা থাদোক্তুনা মপান্দগী শেল কয়া য়াম্না লাকখ্রবগে। ফৌদা, ঙাদা, খোংদগী থোকপা পোৎলমদা মপানগী মীপান তাংবা ঙাক্তনি। ইয়োংগী পোখোক মপান্দা থাদোক্লিবা অসিসু মতিক চানা মণিপুরগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙম্বা নত্তে। নিংঙোল চাক্কৌবদা অরেম্বদা শেল হুন্দোকপরোমদা হিদান্নবা অসি য়াম্নমক চুমদবা থৌওংনি। নিংঙোল চাক্কৌবদি লোইখ্রে অদুবু মদুগী চৈথেংদি লৈহৌরি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ*
*ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*






## মরোল থোকপা লাই





*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*